

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, FRIDAY, MAY 03, 2019 PAGE 7


*বি এম দব্লিয়ু টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসকী কাঙলুপ্তা ব্রাজিলগী দেমোলাইনরগা পেয়র ওইদুনা শান্নরকপদা সেমি ফাইনেল চঙখ্রবা ইন্দিয়াগী সরন*

*ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লব এঠলেটিকো দি কোলকটাগী হেদ কোচ ওইনবগীদমক সাইন তৌনখ্রবা স্পেন মচা এন্টোনিও লোপেজ হাবাস*

## আই সি সি রেঙ্কিং ঃ ইন্দিয়ানা টেষ্টতা নম্বর ৱান পোজিসনদা লেঙদনা লৈরি, ইংলেন্দনা ও দি আইগীদা মকোক ওইখ্রে

*দুবাই, মে ০২ঃ*

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) না ঙসি থাদোরকপা মকোক মথং তাবগী টিম রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিম্না টেষ্ট রেঙ্কিংদা নম্বর ৱান পোজিসনদা লেঙদনা লৈরি, ইংলেন্দগী নুপা ক্রিকেট টিম্না ৱান দে ইন্টরনেসনেল রেঙ্কিংদা নম্বর ৱান পোজিসনদা লৈখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিম্না পুন্না পোইন্ট ১১৬ ফংদুনা টেষ্ট রেঙ্কিং অসিদা খ্বাইদগী মকোক ওইবা ঙল্লি। ভিরাট কোহলিনা লুচিংবা টিম অসিনা কুমজা ২০১৫–১৬ কী সিজনদা সাউথ অফ্রিকাবু মেটচ ৩–০ দা থোইখি, মদুগী মতুং শ্রী লঙ্কাগা শান্নখিবা সেরিজদা ইন্দিয়ানা ২–১ দা মায় পাকপা ঙমখি।

আই সি সি না ঙসি থাদোরকখিবা টেষ্ট টিম রেঙ্কিং অসিদা ন্যু জিলেন্দগী নুপা ক্রিকেট টিম্না পুন্না পোইন্ট ১০৮ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈখি।

ন্যু জিলেন্দনা হন্দক্তগা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নখিবা টেষ্ট সেরিজ দা ২–০ দা থোইবা ঙমদুনা পোইন্ট ৩ হাইগৎপা ঙমখিবদগী ফোর্মেট অসিদা নম্বর টু পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

টেষ্ট টিম রেঙ্কিং অসিদা ইংলেন্দগী টিম্না পুন্না পোইন্ট ১০৫ ফংদুন ওষ্ট্রেলিয়াবু নমথরল্লগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি। ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেট টিম্না পুন্না পোইন্ট ৯৮ ফংলগা ৪শুবা মফম কনবা ঙল্লি। কুমজা ২০১৫–১৬ সিজন্দা ওষ্ট্রেলিয়ানা টেষ্ট সেরিজ ৫ শান্নবদা ৪ মায় পাকপা ঙমখি।

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলনা ঙসি থাদোরকপা রেঙ্কিং লিষ্টতা ইংলেন্দগী নুপা ক্রিকেট টিম্না পুন্না রেট্টিং পোইন্ট ১২৩ ফংদুনা নম্বর ৱান পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে। ইংলেন্দ চহী অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী য়ুম্বু ওইরিবনি। ইংলেন্দনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ও দি আই সেরিজশিংদা পাকিষ্টানবু ৩–২ দা থোইবা ঙমখি, আয়রলেন্দগী মখূত্তা সেরিজ মায়থিরবা মতুং পাকিষ্টানগা শান্নখিবা সেরিজদা মেটচ ৪–১ দা থোইবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিম্না পুন্না রেট্টিং পোইন্ট ১২০ ফংলগা অনীশুবা মফমদা লৈরি। ও দি আইগী রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা ন্যু জিলেন্দগী নুপা ক্রিকেট টিম্না পুন্না রেট্টিং পোইন্ট ১১২ ফংলগা অহুমশুবা মফম কনবা ঙমখ্রে।

সাউথ অফ্রিকাগী টিম্না রেট্টিং পোইন্ট ১১২ ফংলগা মরিশুবা পোজিসন অদুগা মমাঙদা ফোর্মেট অসিগী মতম কুইনা নম্বর ৱান পোজিসন্দা লৈরম্বা ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিম্না পুন্না রেট্টিং পোইন্ট ১০৮ ফংলগা মঙাশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি।

## ন্যু জিলেন্দ ওপন বেদমিন্টনদা ইন্দিয়াগী প্রনোই নুপাগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, সাই প্রনিথ মায়থিহৌরে

*ওকলেন্দ, মে ০২ঃ*

ন্যু জিলেন্দগী সিটি ওকলেন্দদা শান্নরিবা য়ু এস দোল্লর ১৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ন্যু জিলেন্দ ওপন বেদমিন্টনদা ইন্দিয়াগী প্রনোই নুপাগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, সাই প্রনিথ মায়থিহৌরে।



ন্যু জিলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী কে প্রনোইনা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দোনেসিয়াগী টোমী সুগিয়ার্টোবু ষ্ট্রেট গেমদা য়াম্না লায়না ২১–১৪, ২১–১২ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

ইন্দিয়াগী প্রনোইনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী কে সুনেয়ামাগা লম্বা তৌনরগনি। সুনেয়ামানা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী এস থাম্মাসিনবু ২১–১৪, ২৫–২৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সাই প্রনিথ ৭শুবা সিদেদ চাইনাগী লিন দানগী মখূত্তা ১২–২১, ১২–২১ দা মায়থিহৌখি।

চাইনাগী লিন দাননা ক্বার্টর ফাইনেলদা নম্বর সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী এ এস গিন্টিংগা লম্বা তৌনরগনি। গিন্টিংনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা মালেসিয়াগী চোংবু ২১–৬, ২১–৫ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

৩শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী জোনাথন খৃষ্টিনা অনীশুবা রাউন্দদা ঙসি চাইনিজ তাইপৈগী ৱাংবু ২১–১৪, ১৪–২১, ২১–১৬ দা থোইরম্লগা চাইনাগী সুনগা লম্বা তৌনরগনি। চাইনাগী সুননা অনীশুবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী হিওবু ২৩–২৫, ২১–১৬, ২১–১১ দা থোইরম্বনি।

ন্যু জিলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচদা নম্বর ৱান সিদেদ জপানগী অকানে য়ামাগুচিনা চাইনাগী ৱৈবু ২১–১৪, ২৫–২৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনাগী লি ৱাইবু ২১–১১, ২১–১৬ দা থোইরম্বা ৫শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী টুনজুংগা শান্নরগনি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা অহুমশুবা সিদেদ য়ু এস এগী বৈৱেন ঝাংনা চাইনিজ তাইপৈগী চিয়াংবু ২১–১২, ১৯–২১, ২১–১৯ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

৪শুবা সিদেদ জপানগী এস টাকাহসিনা সাউথ কোরিয়াগী কিমবু ২১–১১, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৬শুবা সিদেদ চাইনাগী লি জুরোইগা শান্নরগনি। চাইনাগী লি জুরোইনা অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী হার্টাৱানবু ২১–১৬, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা ৭শুবা সিদেদ ওইরিবী জপানগী এ ওহোরিনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী ফিত্রিয়ানীবু ২১–১১, ২১–৬ দা মায়থিবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমদুনা চাইনাগী ৱাংগা শান্নরগনি।

## স্পেনগী বার্সেলোনানা ইংলেন্দগী লিভরপুলবু সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগতা পাঞ্জল ৩–০ দা থোইখ্রে

CHAMPIONS LEAGUE

*বার্সেলোনা, মে ০২ঃ*

য়ুরোপকী ক্লবশিংগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ই য়ু এফ এ চেম্পিয়ন্স লীগকী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অমদা স্পেনগী ক্লব বার্সেলোনানা ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।



*বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা লিভরপুলগী মায়োক্তা পাঞ্জল চল্লুরবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

বার্সেলোনানা য়ুম্বু ওইদুনা ক্লব অসিগী হোম গ্রাউন্দ ওইরিবা কেম্প নৌদা ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলগা শান্নখিবা সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অদ হৌবদগী বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা লাকখি।

মেটচকী মিনট ২০ হৌজিনখ্রবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি। শান্নবগী ২৬শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ক্লব অসিদা শরুক য়ারিবা উরুগ্বে মচা লুইস স্বারেজনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল শোথদুনা লৈরিবা লিভরপুলগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা কন্না হোৎনদুনা শান্নরকখ্রবসু বার্সেলোনাগী দিফেন্দরশিংনা ফজবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা বার্সেলোনানা লিভরপুলবু ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু পাঞ্জল মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা বার্সলোনাগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথবা ঙমখি। শান্নবগী ৭৫শুবা মিনটতা বার্সেলোনাদা শরুক য়ারিবাআর্জেন্টিনা লিওনেল মেসিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অদু ২–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

লিভরপুলগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিবা বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা লিওনেল মেসিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

ফ্রান্সতা পাঙথোকপা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লীগে ৱানগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা মোনাকো অমদি রেনিজ পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎখি।

শান্নবগী ৩শুবা মিনটতা রেনিজগী শান্নরোই এদ্রিয়ান হুনৌনা য়াম্না ঙন্না পাঞ্জল চনশিন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৯শুবা মিনটতা রেনিজগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা এদ্রিয়েন হুনৌনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা মোনাকোগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথখি। মেটচকী ৬৯শুবা মিনটতা মোনাকোগী শান্নরোই রেদামেল ফালকোনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি।

মোনাকোগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা মতুং ইকুই কুইদনা মেটচকী ৭৫শুবা টিম অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা রেদামেলনা পাঞ্জল অমগা চনশিনবা ঙমখিবদগী মোনাকো অমদি রেনিজ পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎখি।

## ইন্দিয়াগী দিভিজ সরন বি এম দব্লিয়ু ওপনগী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*ম্যুনিক, মে ০২ঃ*

জর্মনিগী সিটি ম্যুনিক্তা চথরিবা দব্লিয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই দিভিজ সরন ব্রাজিলগী এম দেমোলাইনরগা পেয়র ওইদুনা শান্নরকপদা দবলসকী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ইন্দিয়াগী সরন অমদি ব্রাজিলগী দেমোলাইনরনা ঙসি শান্নখিবা দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা জর্মনিগী পেয়র ক্রেৱিটজ অমদি মিজবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৪–৬, ৬–৩, (১০–৮) দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেলদা ওষ্ট্রিয়াগী ওসৱাল অমদি ক্রাএসিয়াগী মাটে পেভিসকা শান্নরগনি।

বি এম দব্লিয়ু টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ৪শুবা সিদেদ স্পেনগী বোটিষ্টা আগুট অমদি ৭শুবা সিদেদ আর্জেন্টিনাগী গুইদো পেল্লাগা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা শান্নরগনি।

স্পেনগী বোটিষ্টা আগুটনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক জর্মনিগী শান্নরোই আর মোল্লেকরসু ষ্ট্রেট সেট ৬–৪, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা ৭শুবা সিদেদ আর্জেন্টিনাগী গুইদো পেল্লানা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা জপানগী টি দেনিয়েলবু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৬–১, ৬–৭(৭–৯), ৬–৩ দা থোইরম্লগা বি দব্লিয়ু এম ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকপনি।

## শ্রী লঙ্কাগী সঙ্গাকারানা এম সি সিগী প্রসিদেন্ট ওইখ্রে



*লন্দন, মে ০২ঃ*

শ্রী লঙ্কা নুপা ক্রিকেট টিমগী মমাঙদা ৱিকেটকিপর বেটসমেন ওইরম্বা কুমার সঙ্গাকারানা মেরিলিবোন ক্রিকেট ক্লব ( এম সি সি) কী নন–বৃটিশ প্রসিদেন্ট ওইবা অহানবা মীশক ওইখ্রে।

কুমার সঙ্গাকারা হৌজিক হৌজিক এম সি সি গী লাইফ মেম্বর ওইরিবনি। লোয়ননা ৱার্ল্ড ক্রিকেট কমিটিগী হৌখিবা চহী ৭ রোম অসিদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখি।

মশাগী চহী ৪১ শুরবা শ্রী লঙ্কাগী ৱিকেটকিপর বেটসমেন ইংলেন্দগী ক্রিকেট ক্লব এন্থোনি রেফোর্দতা প্রসিদেন্টকী ফমসু পুরিবনি।

### ক্রোসৱার্দ ১৪৯ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| V | A | S | E | S | | E | L | L | A | | P | U | S | S |
| I | M | P | L | Y | | L | A | I | R | | I | N | C | A |
| S | P | R | I | N | G | C | O | F | F | E | E | D | A | Y |
| A | L | E | | D | E | I | S | T | | A | T | O | M | S |
| S | E | E | S | R | E | D | | E | Z | R | A | | | |
| | | | A | O | K | | I | D | O | L | | M | D | S |
| C | H | A | S | M | | C | O | O | L | | S | U | R | E |
| O | U | T | H | E | A | R | T | F | A | S | T | T | A | X |
| L | E | I | A | | L | E | A | F | | C | A | T | T | Y |
| E | S | T | | T | A | S | S | | P | A | L | | | |
| | | | B | O | S | C | | D | E | V | E | L | O | P |
| A | S | H | E | N | | E | M | O | T | E | | E | D | U |
| S | T | A | T | I | O | N | E | V | E | N | J | A | I | L |
| T | A | R | S | | I | D | L | E | | G | A | S | U | P |
| O | B | E | Y | | L | O | T | S | | E | N | E | M | Y |


**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Sagolmang, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Case No. 137/SDC/SLG/IE of 2019*

Ningthoujam Pusparani Devi W/o Ningthoujam Shyamkeshor Singh Yourbung Maning Leikai I/East

***- Petitioner***

***-Verses-***

Late Ningthoujam Sonika Devi D/o Ninthoujam Pusparani Devi of Khundrakpam

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*Sagolmang, Dated 02/05/2019*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ইঃ তহসিল খুল নং 4-Chingkhu পাট্টা নং 6 (অরিবা) 140/176 (অনৌবা) দাগ নং 174/238 মোট এরিয়া 0.78 একর চাওবা Anganphou লৌফমগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথাক্কী পেটিস্নার অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা নমা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃতু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি Objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউ–চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা অইবা চেনা অপতি / Objection তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East

SL/Bill/3



**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Sagolmang, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Case No. 138/SDC/SLG/IE of 2019*

Ningthoujam Pusparani Devi W/o Ningthoujam Shyamkeshor Singh Yourbung Maning Leikai I/E

***- Petitioner***

***-Verses-***

Late Ningthoujam Sonika Devi D/o Ninthoujam Pusparani Devi of Khundrakpam

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*Sagolmang, Dated 02/05/2019*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ইঃ তহসিল খুল নং 4-Chingkhu পাট্টা নং 6 (অরিবা) 140/217 (অনৌবা) দাগ নং 174 মোট এরিয়া 0.68 একর চাওবা Anganphou লৌফমগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথাক্কী পেটিস্নার অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা নমা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃতু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি Objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউ–চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা অইবা চেনা অপতি / Objection তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East

SL/Bill/3



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 676/SDC/P of 2019

Arambam (O) Jamuna Devi D/o (L) Manohar of Naharup Mayai Leikai

Petitioner

-Vs-

A. Inaobi Singh S/o (L) Nipamacha Singh of Naharup Mayai Leikai

O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 02/05/2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 39-Wakha গী Patta No. 21 (অরিবা) 3 (অনৌবা) C.S. Dag No. 428 an area .2533 acre of Phourel class লম অসিগী Pattadar Moirangthem Premjit Singh অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

*SL/Bill(L)B/03*



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 677/SDC/P of 2019

(1) Isup Ali @ Syed Yasub Ali S/o (L) Md. Ali of Kshetri Makha Leikai
(2) Khadijan W/o (L) Md. Mahebup S/o (L) Md. Ali of Kshetrigao

Petitioner

-Vs-

Co-Pattadar No. 3. Md. Mahebup S/o (L) Md. Ali of Kshetrigao

O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 02/05/2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 40-Kshetri Bengoon গী Patta No. 188 (অরিবা) 192 (অনৌবা) C.S. Dag No. 450 an area 0.48 acre of Phourel class লম অসিগী Co-Pattadar No. 3 (Three) অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

*SL/Bill(L)A/03*



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Bashikhong, Imphal East
Ref. : Mutation Case No.198/SDC/B/IE/2019

Maibam Dolen Singh S/o (L) M. Tomba Singh of Kyamgei Mayai Leikai

Petitioner

-Vs-

Maibam Tomba Singh S/o (L) M. Thambou Singh of Kyamgei Mayai Leikai

O.P.

**NOTICE**

Bashikhong, the 2nd May 2019

অসিনা মরম ওইদুনা Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৬৮–কিয়াম্গৈ পাট্টা নং ৫২২ / ১৭৬৭ অনৌবা দাগ নং ৫১২ / ১৩৫৮ মোট এরিয়া ০.৩০ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পট্টাদার মাইবম তোম্বা সিংহ পীতা মৃঃ থমবৌ সিংহ সাং কিয়াম্গৈদা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পাট্টাদরগী মমিংদা লৈবা ইংখোল অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্টকারী অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নমা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি খরব অসিদা ফোঙখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা অপটি (Objection) অমত্তা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Bashikhong, Imphal East

*SL/Bill (R) A/03*



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Bashikhong, Imphal East
Ref. : Mutation Case No.199/SDC/B/IE/2019

Rajkumar Manorjit Singh S/o (L) R.K. Jillasana Singh of Nongomthong Kitna Panung

Petitioner

-Vs-

Ningthemcha (O) Mangileima Devi W/o (L) Dhakasana Singh of Nongomthong Kitna Panung

O.P.

**NOTICE**

Bashikhong, the 2nd May 2019

অসিনা মরম ওইদুনা Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৫৭–কিতনা পনুং পাট্টা নং ১৬০ অনৌবা দাগ নং ৬১ মোট এরিয়া ০.০৬ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পট্টাদার নিংথেমচা (ও) মংগিলৈমা দেবী পতি মৃঃ ধাকাসানা সিংহ সাং নিংঙোমথোং কিতনা পনুংদা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পাট্টাদরগী মমিংদা লৈবা ইংখোল অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্টকারী অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নমা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি খরব অসিদা ফোঙখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা অপটি (Objection) অমত্তা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Bashikhong, Imphal East

*SL/Bill (R) B/03*